# মমাগা পোকমিন্নবা মাম্মনা চহি ৩গী অঙাং মখুৎ থাংনা লেন্দুনা ঈ চুপ্পা হৌরম্লে ,মঙক্তসু থাঙ্গোলনা লেন্দুনা হাৎনবা হোৎনরম্লে

থৌদাং পাউমীদগী
ইম্ফাল,এপ্রিল ২৫ঃ হেক তাবদা য়াম্না মীপাইনিংঙাই ওইবা থৌদোক অমা ওইনা মশাগী চহি ৩ লোমদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা মমাগা হেক পোকমিন্নবা মাম্মানা মখুৎতা থাংনা লেন্দুনা ঈ চুপ্পা হৌরম্বদা নত্তনা মঙক্তা থাঙ্গোলনা লেন্দুনা হাৎনবা হোৎনরম্লে।

মখুৎ লেনথৎলগা ঈ চুপ্পা হৌরম্লবা অঙাং অদুগী মমিংনা পুখ্রম্বম পৃথিবীরাজ (৩) অপোকপা সুরজিৎ কৌই। ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈরাও বিত্র ময়াই লৈকাইদগীনি। অদুগা অঙাংশিংবু ঈ চুপ্পদা নত্তনা হাৎনবা হোৎনরম্বা মাম্মা অদুগী মমিংনা মাইবম জিবন (৩২) অপোকপা ইবোয়াইমা কৌই। য়াইরিপোকয়াম্বেম মথক লৈকাইদগীনি। অঙাং অসিবু হেক পোকপা পুখ্রম্বম ওংবী ইবেমচা দেবীগী পোকমিন্নবা মবুংনি। মাইবম জিবন আর্মিদা য়েন সপ্লাই তৌবা অমগী গাড়ী ড্রাইভর ওইনা লৈবনি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি, মাইবম জিবন ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তবদা অঙাং অসিগী অপোকপা মপা হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস ষ্টেসন্দা কন্সটেবল ওইনা লৈবা সুরজিৎকী অম্রো পার্কিংদা থেংনবদগী লাকমিন্নরগা ঙরাং অহিং অমা সুরজিৎকী য়ুমদা লেকখি।

মাইবম জিবন ইবেমচাগা পোকমিন্নবা মচিন মনাও ওইবনা সুরজিৎনা ময়ুমদা পুশিন্দুনা হরাও হরাও অহিংদুমা করিমত্তা চিংনদনা লেকমিন্নখিবনি। ঙসি অয়ুক সুরজিৎনা দ্যুটি চৎখিবা অদুগা মহাক্কী নুপী ইবেমচানা লৈকাইগী যজ্ঞ অমা য়াওবা চৎখিবদগী ভিক্তিম ওইরিবা পৃথিবীরাজ মপা পোকপা মবেমপোক অমসুং মহাক্কা পোকমিন্নবা চহি অমরোমদা ঙাইরিবা মচলনুপীগা লৈহৌখি।

নুমিৎ য়ুংবা মতুং পুং ১২.১৫ তারকপা অদুব্রাইদা মবেমবোক অমসুং মচলনুপীনা মাঙ্গোলদা লৈরিঙৈ মাইবম জিবন্না মাগী মমাকনুপা পৃথিবীরাজ ওইথংবা খুৎকী খুবীদা থাংনা লেনথৎলগা ঈ চুপ্পগা থোরকখি। মতৌ অদু উবদা মবেমবোক্না পাখৎতুনা জিবন্দা নংনা তৌরিবদু করিনো ? অঙাং মখুৎ ককথৎলগা ঈ চুপ্লিবদু হাৎলগে হায়রিব্রা হায়না লৈকায় তানবা কোইরাও লাওখি। লোয়ননা অঙাংদুগী মমা ইবেমচা যজ্ঞ মফমদগী চেন্দুনা কৌখি।

পাউ তানবদগী লৈকায় মীয়াম হুপ্তুনা চেনশিন্নরকপদা অমুক্কসু জিবন্না পৃথিবীরাজবু মঙক্তা থাঙ্গোলনা থমদুনা লেন্দুনা হাৎনবা হোৎনরম্বদগী ময়াম চংদুনা কলহৌখিবনি। অদুগা চেন্নরিবা জিবনবুনা ফারগা ব্রাহং পাউহং তৌবদা করিগুম্বা অমত্তা হায়য়ু য়াদবদগী মহাকপু মীয়াম্না ফু-চৈখি। তাঙ্গাদুদা ইরিবুং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা লাক্লগা মীয়াম মরক্তগী জিবনবু রেস্ক্যু তৌরগা মখা তাবা ব্রাহং পাউহংগীদমক পুরগা চৎখি হায়রি।